# জননেতা হিজম ইরাবতকী মিতমগী ফিজং হাঙদোকখ্রে



এসএনএস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৫ঃ ঙসি লল্লাইগী মনুংচন্না লৈবা নুংশিকোল পার্ক,চানাদা লুচিংপুরেল জননেতা হিজম ইরাবতকী মিতমগী ফিজং হাঙদোকখ্রে।

ঙসি থৌরম অদু হৌদোকপা ওইনা শৈহৌ ঈশৈ শক্লবা মতুং পেনা শৈরোল শক্তুনা জননেতাগী মীতমগী মায়খুম হাঙদোকখি। লোয়ননা থৌরম অদুগী অখন্নবা তাঙবলদা লেংশিনখিবশিংনা থৌরম অদুগী মৈরা মৈশেং চুখৎলবা মতুং জননেতাগী মিতমদা লৈ–শু কৎখি।

মিতম মায়খুম হাঙথোকপগী থৌরম অদুদা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট নরেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোকখিবদা চনা লুখোই আর্ট সেন্টরনা শীন্দুনা পায়–খৎলিবা নুংশিকোল পার্ক হায়রিবা পার্ক অসি তুংগী মীরোলশিংগীদমক অনৌবা পুন্সিরোল অমা শেমগৎপদা মতেং পাঙবা ঙম্নবগীদমক কখে–াকপা অমা ওইগনি। নুংশিকোল পার্ক অসিগী মনুংদা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মীতম অমা খিন দুনা থল্লিবা অসিনা পার্ক অসিদা লাক্লিবা মীওইশিংদা অনৌবা পা–খাঙ অমা চল্লি।

মরমদি লুচিংপুরেল হিজম ইরাবত অসি হিরম খুদিংমক্তা য়াম্না মাঙজিল থাবা মীশক অমনি,অদুনবু মহাক অসি লময়ানবা হায়না খঙনরিবনি।

মাগী ৰাখল,মাগী মীৎয়েং অসি য়াম্না থৌবা,তুংকোইনা য়াম্না শানবা মীৎয়েং উবা ঙম্বা মীশক অমনি। অদুনা মরম ওইদুনা মাগী পুন্সি, মাগী ৰাখল লৌশিং অসি নৌনা লাক্কদৌরিবা মীরোলশিং অসিদা মীতম অসিনা ৰারী লীদুনা খঙহল্লগনি হায়খি।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কে দিনামনি সুপরিটেন্দেন্ট ষ্টেট অর্কিওলোজি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা অথোইবা মীথুংলেন কেএসঐচ তোম্বাপু মঙাং বিদিসি চানানা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

# ফৌহাম পাইথোকপদা মরু চঙবা য়াওখিদনবা চেকশিনবিয়ুঃ ও জয়

এসএনএস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৫ঃ নাগা ইন্টিগ্রেসনদি কংগ্রেসকী এজেন্দানি। মণিপুরগী অপুনবা শক্তম থুগায়নবগী ৰারেপ লৌদুনা সহি তৌখিবা মীওইশিংগী লিষ্টতা দিপ্যুটি সিএম গাইখাঙমনা অনীশুবা সেরিয়েলদা লৈ। ৰাফম অসি মহাক কাওথোক্তবা হায়না ভেটেরিয়ান পোলিটিসিয়ন ও জয়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বিজেপি মণিপুর প্রদেশকী ওফিস্তা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৰাফম অসি ও জয়না ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়, কংগ্রেস পার্টিদি ঙাংবনা অমা ঙাংলগা মখুৎনা অমা তৌই। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট খরদা কংগ্রেস পার্টিনা নাগা ইন্টিগ্রেসন তৌগনি হায়দুনা মখোয়গী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা হাপখি। অদুগা মণিপুর য়ৌরকপদা অতোপ্পা ৰা অমা ঙাংঙি। মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হনবা য়ারোই হায়বসি বিজেপিকীদি লেঙদ্রবা ফিরেপ্নি। অদুবু কংগ্রেসতি মণিপুর থুগায়বা পাম্বা পার্টিনি। ১৯৭২গী আগষ্ট ৪দা অৱাং নোংপোক ভারতকী কংগ্রেসকী লিদরশিং অমসুং য়ুনাইটেদ নাগা ইন্টিগ্রেসন কাউন্সিলগা নাগা ইন্টিগ্রেসনগী সাইন তৌনখিবা অদু কংগ্রেস পার্টিননি। মদু বিজেপিনা তৌখিবা নত্তে। তৌনখিবা এগ্রিমেন্ট অদুগী ফৎতবা ফল অদু বিজেপিনা উরকপদগী মদুদগী খোঙফম হন্দোকপনি। মণিপুরগী শক্তম কায়হনবা পাল্লিবসি করম্বা পোলিটিকেল পার্টিননো হায়বসি প্রজা মীয়াম্না হেন্না খঙলবনি। কংগ্রেসনা তৌরম্বা ফত্তবা থবক্কী মহৈগী মতুংইন্না হৌজিক্তি প্রজাশিংসু লৌশিং তারে।

ঙমখৈ ঙাকপগী মহুৎতা ঙমখৈ থুগায়বগী থবক কংগ্রেস পার্টিনা হেক–হেক তৌই। মসি তৌবিগনু, মণিপুরগী ঙমখৈদা শীংনরকপা অমত্তা বিজেপিনা কমপ্রোমাইজ তৌরোই। ইং ২০০২ দা থোকখিবা জুন ১৮গী থৌদোক অদু কংগ্রেসনা থাকপা লাংদা বিজেপিনা থুরুবনি হায়নসু মরাল শিরক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসি দিপ্যুটি সিএমনা টাইম বোমনি হায়না প্রমান তৌরি। অদুবু অমিট সহানদি মণিপুরগী লম ইঞ্চি অমত্তা মাঙহল্লোই হায়না থাজবা পীরিবনি। অমদি মসিদা চিংননিংঙাই করিসু লৈতে।

কংগ্রেস খক্তনা ঙমখৈ নুংশিবা শাগনু। দিপ্যুটি সিএম গাইখাঙম কনানো হায়বা মশক মুন্না খঙই। কংগ্রেসকী লিচৎ শাজৎ মুন্না খঙই। ঙমখৈ কনবগী থবক্তা ঙমখৈ থুগায়বগী থবক তৌবিরক্তনু হায়নসু দিপ্যুটি সিএমগী মফমদা অপিল তৌরক্লি।

ও জয়না মখা তারদুনা হায়, মণিপুরগী দিপ্যুটি সিএম অমনা ঙাংবদা লেমজনিংঙাই ওইদবা ৰা গাইখাঙমগী মচিন্দগী ফোঙদোরকপসি লাইবক থীবনি। বিজেপিদা লৈরিবা অমদি য়াওখিবা মীওইশিংসি ফৌহাম্নি হায়বসি 'লমহুইনা অঙ্গুল শিনলি' হায়বা অদুনি। কংগ্রেসতগী তোক্লগনা ফৌহাম ওইহনবা,কংগ্রেসতা য়াওরগনা সনা ওইহনবা অসিদি হন্থবা থাক্কী পোলিটিক্সনি।

কংগ্রেসকী অমুবা অনোক উপ্লগা য়েংলকপদা পোৎ খুদিংমক অমুবা ওইনা উবনি। ফৌহাম পায়থোকরকপদা মহাক মশা য়াওদনবা চেকশিনহৌবা ফৈ।

ৰাখল্লোন মান্নবা মীওইশিং পুনশিল্লকপদা অকিবা ফাওরকপদগী ফৌহাম্নি হায়জিল্লগা নথেনবা হোৎনবনি। বিজেপিদা ফৌহাম য়াওদে। শেঞ্জ–থুমজানা থনলবা ইনজষ্টিসকী থওংদমক চথবা কংগ্রেস গভর্ণমেন্ট উথাইগদৌবা কুইদ্রে হায়খি।

টিঐচ চাওবনা হায়, দিপ্যুটি সিএম অমনা ঙাংফম থোক্তবা ৰা হঞ্জিন–হঞ্জিন ঙাংলবদি মমৈথংদা ইকায়বা নংবা হায়বসি হৌনশানি। মণিপুরগী সিএম নৎত্রগা কংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্টনা হায়গদৌবা ৰা দিপ্যুটি সিএমনা ঙাংলি। মণিপুরগী ঙমখৈ থুগায়নবগী সাইন তৌখিবা মীশক্তি গাইখাঙমনি হায়খি।

# নর্সনা হিদাক লান্না কাপ্পদগী অঙাং শোইনাইগদৌরেঃ বির্জিৎ

এসএনএস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৫ঃ হৌখিবা আগষ্ট ৩দা পোরোম্পরৎতা লৈবা জেনিমসতা অঙাং উন্নবদা নর্সনা হিদাক লান্না কাপ্পদগী পোক্লক্লিবা অঙাংগী হকচাংদা অশোয়বা থোকহনগদৌরে হায়না অঙাং অদুগী অপোকপা য়ুম্নাম পাৎলৌদগী নাওদবম বির্জিৎ(৩৯)না পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা বির্জিৎনা হায় মহাক্কী থা ১ হেল্লক্লবী মচানুপী অসি লেংবা–ওৎপা নিংথীনা ঙমদ্রে। মহাক্কী লোয়নবী এন সঙ্গিতা (২৮)না অঙাং উন্নরমদাইদা নর্সনা হিদাক লান্না কাপ্পদগী সঙ্গিতা কোক ঙাওবা লোয়ননা ওবগী থৌদোক লৈ।

হিদাক কাপ্লিবা নর্স অদুদা অতোপ্পা নর্স অমনা করম্বা হিদাক কাপলুরে হংবদা নর্স অদুনা মসিগী হিদাকসি কাপলুরে হায়দুনা হিদাক য়াওদ্রবা বোক্স অদু উৎলি।

হিদাক কাপ্পবা মতুংদা মশা নুঙাইরক্তবা অমসুং কোক ঙাওই হায়দুনা ওরকখি। মদুদগী মহাক ওটিদা পুশিনখি।

সঙ্গিতা করিসু তৌরোই হায়না মখোয়না হায়রম্মী। নুমীৎ অদুগী নুংথীল পুং ১ রোম তাবদা সঙ্গিতা অঙাং নুপী অমা পোকখি।

অঙাং উন্নবগী থৌদোক অদুদা চিংননিঙাই ওইবা থৌদোকশিং য়াওবদগী নুমিৎ অদুগী মপুং ফাবা রিপোর্ট পীবিনবা ইন্সটিট্যুট অদুগী দাইরেক্টরদা চে থাই। রিপোর্টর অদু পীবিদবদগী অমুকসু হন্না আগষ্ট ৩০ দা অমুক চে থাই। মদুদসু রিপোর্ট পীবিদনা সেপ্তেম্বর ৬তা সঙ্গিতা দিসচার্জ তৌরকখি।

সেপ্তেম্বর ১৭ ফাওবগী মনুংদা থৌদোক অদুগী মরমদা পেসেন্টগী মায়কৈদা মরিক চুম্বা ৰাফম খঙহনবিয়ু। মদু নৎত্রবদি সিএসওশিংগা খুৎশম্নরগা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

# ৩২শুবা ষ্টেট লেভেল ষ্টুদেন্টস সাইন্স সেমিনার ২০১৬ পাঙথোকখ্রে




এসএনএস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৫ঃ ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা 'দ সাইন্স য়ুনিট দাইরেক্টরেট ওফ এড়ুকেসন(এস)না শীন্দুনা ৩৮শুবা ষ্টেট লেভেল ষ্টুদেন্টস সাইন্স সেমিনার,২০১৬ অমা 'পলসেস ফোর সস্তেনেবল ফুদ সেক্যুরিটিঃ প্রোস্পেক্ট এন্দ চেলেঞ্জ' হায়বা টোপিক্তা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা সেমিনার অদুদা হায়স্কুলগী থাক্তা তম্লিবা ক্লাস আইটতগী টেন ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

সেমিনার অদুদা মকোক তাখ্রবী মহৈরোই কুমারী কেঐচ জুলিয়া দেবী,ক্লাস নাইন সেক্রেট হার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুল পোরোম্পাৎ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট জোন–২বু বেষ্ট পার্ফোমর ওইনা খনগৎতুনা ওক্টোবর ৪দা মুম্বাইগী নেহরু সাইন্স সেন্টরদা পাঙথোক্কদবা 'নেস্নেল লেভেল ষ্টুদেন্টস' সাইন্স সেমিনার–২০১৬দা শরুক য়ারুনবগীদমক খনগৎখ্রে।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অবদুস সলাম, জোইন্ট সেক্রেটরী(এড়ুকেসন এস) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা চিফ গেষ্ট অমদি প্রোফেসার মনিহার দিপার্টমেন্ট ওফ লাইফ সাইন্স এময়ু কাঞ্চিপুরনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ষ্টেট লেভেল ষ্টুদেন্টস সাইন্স সিমিনার ২০১৬তা মকোক মথং তাখ্রবশিংদি সেক্রেদ হার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুল পোরোম্পাৎকী ক্লাস নাইনগী মহৈরোই কেঐচ জুলিয়া দেবীনা অহানবা অদুগা রুদা একাডেমি থৌবালগী ক্লাস টেন মহৈরোই হেলেনা অকোইজম্না অনীশুবা তাদুনা মনা ফঙখ্রে।

কন্সোলেসন প্রাইজ ফঙখিবশিং দি পদ্ম রতনা ইংলিস স্কুল ককচীংগী ক্লাস টেন মহৈরোই রানি নাওরেম, আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়া জিরিবামগী ক্লাস আইট মহৈরোই অঞ্জলি প্রিয়া, নির্মালাবাস হায়স্কুল ইম্ফালগী ক্লাস আইট মহৈরোই হিদিংময়ুম দৌনৈলা দেবী, এঞ্জেল ইংলিস স্কুল উখুলগী ক্লাস টেন মহৈরোই কুমারি ৰারসোরেন সৈজা, পদ্ম রতনা ইংলিস স্কুল ককচীংগী ক্লাস টেন মহৈরোই গীতা নাওরেম, মার্দস প্রাইদ একাডেমি বিষ্ণুপুরগী ক্লাস আইট মহৈরোই কোঞ্জেংবম সুর্মালা, দোনবোস্কো হায়স্কুল তমেংলোংগী ক্লাস টেন মহৈরোই কুমারি ইসামহুংলে দাইমে, আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যলয়া জিরিবামগী ক্লাস নাইন মহৈরোই কুমারি অর্বানটিকা, দোনবোস্কো হয়ার সেকেন্দেরি স্কুল চুরচান্দপুরগী ক্লাস টেন মহৈরোই কুমারী ইমেলি এল থ্যানৈ, খুমন মহৈকোল ময়াং ইম্ফালগী ক্লাস নাইন মহৈরোই মার্সেল চনম্বম, সেক্রেট হয়ার সেকেন্দরি স্কুল উখুলগী ক্লাস নাইন মহৈরোই কুমারি আইভে সিমরা, দোনবোস্কো হয়ার সেকেন্দরি স্কুল সেনাপটিগী ক্লাস টেন মহৈরোই কুমারি লুংশিলা বি, সেন্ট মেরি হায়স্কুল চুরচান্দপুরগী কুমারী জুবেলি নেংভাংহোই, কেন্দ্র বিদ্যালয়া নম্বর–১গী ক্লাস টেন মহৈরোই কুমারী প্রবিনা খুরাইজম, অনানলোন খৃষ্টান ইন্সটিট্যুট চান্দেলগী ক্লাস টেন মহৈরোই কুমারী কামিৱার নুলা,সেন্ট জেভিয়ার্স স্কুল মোইরাংগী ক্লাস টেন মহৈরোই কুমারি মিরান্দা মোইরাংথেম, ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুল কাঞ্চিপুরগী ক্লাস নাইন মহৈরোই থোঙাম চনু সিমরান, রুদা একাডেমি থৌবালগী ক্লাস নাইন মহৈরোই লুক্রাম জুলে, একলাভয়া মোডেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল সপরমৈন্যাগী ক্লাস নাইন মহৈরোই কুমারি নৈহোইথেম খোঙসাই, দোনবোস্কো হয়ার সেকেন্দরি স্কুল সেনাপটিগী ক্লাস টেন মহৈরোই কুমারি আইলেন শমজাইলা, ফ্রান্সিস দে সেলস স্কুল দাইলি কাঙপোকপীগী ক্লাস টেন মহৈরোই কুমারি বর্সা খাতিৱাদা অমসুং সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী ক্লাস টেন মহৈরোই এম জয়ালক্ষমি দেবীনি।

ফার্ষ্ট সেকেন্দ অমসুং কনসোলেসন প্রাইজ ফঙখিবা মহৈরোই পুন্না ২৪গী মনুংদা নুপী ২৩ নুপা অমা য়াওরি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

*এসএনএস*

*ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৫ঃ ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে কৃষ্ণচন্দ্র শর্ম্মনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা অমসুং নুঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।*

*এসোসিয়েসনগী অসিগী ওফিস্তা ভাইস প্রসিদেন্ট এল লোকেন্দ্রো সিংহনা ময়াই ফমদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফমদা লৈখিদ্রবা কৃষ্ণচন্দ্র শর্ম্মনা লমদম অসিগী শান্ন–খোৎনবগী লমদা তৌরম্বা থবকশিং, পীরম্বা দান কয়া নৌহৌননা নীংশিংখি।*

*মীফম অদুনা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং–মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না জেনরেল সেক্রেটরী আর কে সনায়াইমা সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।*

# য়ুম্নাম খুনৌদা পুন্না উন্নখ্রে

*এসএনএস*

*ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৫ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনুং চনবা য়ুম্নাম খুনৌগী লাইনিংথৌ পুখীবা কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পুন্না উন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।*

*থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টিঐচ লোকেশ্বর, য়ুম্নাম খুনৌ কংগ্রেস য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ অঙৌ অমসুং ব্রুমেন সোসিয়েল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম পীশক্লা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি থৌরম মপু ওইখি হায়রি।*

# এক্স সর্ভিসমেন রেল্লি কম মেডিকেল কেম্প পাঙথোক্কনি

এসএনএস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৫ঃ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ১২ অসাম রাইফল্সনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৪ দা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা পলেলদা লৈবা ২৬ সেক্টর অসাম রাইফল্স হেদ ক্বার্টরদা এক্স–সার্ভিসমেন রেল্লিগা লোয়ননা মেডিকেল অমসুং দেন্টেল কেম্প পাঙথোক্কদৌরি।

আইজিএআর(সাউথ) কী পিআরওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায় অয়ুক পুং ৯দগী হৌনা পাঙথোক্কদবা রেল্লি অদুদা ভেটেরান, ৱিদো অমসুং এক্স–সার্ভিসমেনশিংগী খুদোংচাবা অমসুং অতৈ এডমিনিষ্ট্রেটিব ইশু কয়া খন্নগনি।

অসাম রাইফল্স এক্স–সর্ভিসমেন এসোসিয়েসনগী পে এন্দ একাউন্ট ওফিস অমসুং দিজি এআর হেদ ক্বার্টরগী রেকোর্ড ব্রাঞ্চকী মীহুৎশিং রেল্লি অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা এক্স–সর্ভিসমেনশিংগী পেন্সনগা মরী লৈনবা, অনৌবা পোলিসি অমসুং মোনিটরি বেনিফিটকী মতাংদা মরীক চুম্না খঙহনবগা লোয়ননা ভাব তান্নদবা লৈবশিং অদুসু শেঙদোক্কনি হায়রি।

এক্স–সর্ভিসমেনশিংনা রেল্লি অসিদা য়াওবা ঙম্নবগীদমক চান্দেল , মোরে, তেংনৌপল অমসুং ককচীংদা ট্রান্স–পোর্টকী খুদোংচাবা লৈহনগনি। রেল্লি অসিগা মরী লৈননা সিজ হোস্পিটাল ইম্ফাল অমসুং জিবন হোস্পিটাল ককচীংগা খুৎশম্নরগা মেডিকেল এন্দ দেন্টেল কেম্পসু পাঙথোক্কনি। কেম্প অসিদা অকোয়বদা লৈবা মীচমশিংসু শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# ইলেক্টোরেল রোলগী ক্লেম ১সুং ওবজেক্সন ...

এজ কোহোর্ট এনালাইসিসকী মতুংইন্না ইলেক্টর পোপুলেসন রেসিও অসি ৬৪ঃ১১ ওইফম থোকপদা মণিপুরগী ওইনা হৌজিক ৫৪ঃ৭০ ওইরি। সেন্সসকী মতুংইন্না জেন্দর রেসিও অসি নুপা লিশিং ১ খুদিংগী নুপী ৯৮৭ লৈফম থোকপদা ড্রাফ্ট ইলেক্টোরেল রোল অসিদা জেন্দর রেসিও অসি নুপা লিশিং ১ খুদিংগী নুপী ১০৩৬ ওইরি।

দিপার্টমেন্টনা মসি করিদগী ওইরকপনো হায়না থিবা মতমদা মশাগী চহী ৩০ হেল্লবী নুপী ইলেক্টর ১,৪১,৬৯১ মখোয় মখোয়গী অহল লমনগী মনাক্তা লৈবগী রেকোর্দ ফংবদগী য়েংশিনবা হৌরে। বুঠ লেভেল ওফিসারশিংনা য়ুমথোং খুদিং চঙদুনা হায়রিবা মীওইশিং অসি মপা মমাগী মনাক্তা লৈরিব্রা নৎত্রগা মপুরোইবগী য়ুমদা লৈরব্রা হায়বদু য়েংশিনগনি হায়খি।

হান্না ইলেক্টোরেল রোলদা মিং য়াওরম্বা লৈত্রবা, য়ুম হোংখ্রবা অমসুং শিখ্রবা ইলেক্টরশিং অসিদা অশোয়বা অরানবা য়াওরম্বশিং মশা মশানা লাক্তুনা হায়দোকপীনবা আপীল তৌখি।

লাক্লিবা চহী ইং ২০১৭কী জনুৱারি ১ ফাওবদা মশাগী চহি ১৮ শুরবা মীওইশিংনা শোয়দনা ইলেক্টোরেল রোলদা মীং হাপীয়ু হায়খি।

মীয়াম অমসুং পোলিতিকেল পার্টিশিংনা ইআরও, এইআরওশিংগী ওফিসতা লোয়ননা রুরেল অমসুং অর্বান লোকেল বোদিশিংগী অকক্লবা মফম অমদা সেপ্তেম্বর ৭ তগী ২১ ফাওবা মীয়াম্না অরান অচুই য়েংশিল্লবা য়াগনি।

তোঙান তোঙানবা পোলিতিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখিবা মীফম অদুদা সি ই ওনা মখা তানা হায়, হৌজিক ফাওবদা সেনাপতিদা ভোটর ৫৭৬৮ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতা ভোটর ৩৪৫৭ লৌথোকখ্রে।

মসিগা লোয়ননা মশাগী চহী ৭০গী মথক্তা লৈবা মীওই ৬৬২০৪ হিংদুনা লৈরি হায়না খঙলে। লোয়ননা ৩৫,৭২৬ অসিনা হৌজিক ভেরিফিকেসন লোইরে।

ড্রাফ্ট ইলেক্টোরেল রোলদা ফোটো ক্বালিতি ফংবা য়াওদবা মীওই ৪,৬০,৫৬৭ অসিনা খঙদোকপা ঙম্লে।

ট্রান্সফর পোষ্টিংগী মতাংদা মহাক্না হায়, মীখলগী থবক থৌরমশিং তৌগদবা মথং চহীগী মার্চ ফাওবদা পোষ্টিং চহী ৩ হেল্লবা পুলিস ওফিসিয়েলশিং পুলিস ষ্টেসনগী এস আইদগী হৌরগা দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ফাওবগী পোষ্টিং পীনবা থবক পায়খৎনবা হোম দিপার্টমেন্টতা খঙহনখ্রে।

হান্না লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২১ অমসুং ২২দা ইসিআইগী ফুল কম্মিসন্না নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা ইম্ফালদা লাক্লবা তৌরম্বা অদু নোংমা ঙনখৎনা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২০দা ইম্ফালদা থুংলরগনি।

ফুল কম্মিসন অসিনা ইম্ফালদা থুংলবগা নুংথিল পুং ৩.৩০ দগী পুং ৫ ফাওবা পোলিতিকেল পার্টিশিংগা উন্নগনি। মরম অসিদা উন্নবা অসিদা য়াওগদবা পার্টিগী মীওইশিং পীখৎলক্লবা অমসুং কম্মিসন্না পীশিনগদবা মেমোরেন্দমশিং অদু সি ই ও ওফিসতা হান্না থাবিরক্লবা আপীল তৌখি।

মদুগী তুংদা নুমিৎ অসিমক্তদা সি ই ও, এস এল পি ও, ইনকম তেক্স অমসুং এক্সাইজগী মীহুৎশিং উন্নগনি।

মথংগী নুমিৎতা দি ই ওশিং, দিসিশিং, আই জিশিং, রেঞ্জ দি আই জিশিং, এস পিশিং উন্নগনি। মসিদা মরী লৈনবা এস পিশিংনা পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন অমমম তৌনবা শেম শাবীয়ু। লোয়ননা নুমিৎ অসিদা পাউমীশিং উন্নরম্লগা টিম অদু ইম্ফাল থাদোকখিগনি হায়খি।

# অমিট সাহ দিল্লিগীদমক ইম্ফাল ...

দেলিগেটশিংগী মায়কৈদগী নেসনেল প্রসিদেন্টতা পার্টি অসিগী টিকেটতা মীখল থেংনগদৌরিবা মীওইশিংগী মিং অসি ঙন্না লাওথোকপীনবা ৰাফম পুখৎলকপদা অমিট সাহনা শাওরপ তৌনা বি জে পিগী ওইনদি মীরেপ ঙন্না লাওথোকপগী ৰাফম লৈতে। হান্নগী হান্না মতম চানা মীরেপ ওইগদবশিংগী মিং লাওথোক্কনি। দরকার লৈরবদি নোমিনেসন পীশিনগদবা মতম নক্না মীরেপ লাওথোকপসু য়াই হায়রমখি হায়রি।

মীফম অদুদা দেলিগেটশিংগী মায়কৈদগী চীংগী লমদা মীখলগী মতমদা খুৎলায় পায়বশিংনা অয়েৎ অপন থোকহল্লিবা অসি য়েংলগা হেন্না কনবা সেক্যুরিতিগী ঙাকশেলগী থবক লৌখৎনবা ৰাফম পুখৎখি। মদুদা নেসনেল প্রসিদেন্টকী মায়কৈদগী পায়খৎপা য়াবা থবক পায়খৎকনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

মীফম অদুদা লোক্তাক স্কামগী মতাংদা থিগৎপীদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবিনবা হায়জরকপদা অমিট সাহনা ৰাথোক অসি হৌজিক কংগ্রেস গভর্ণমেন্ট লৈবা মরম ওইরগা চে চাংশিং অসি লৌথোকপদা খুদোংচাদবা লৈবনা বি জে পিগী গভর্ণমেন্ট অমা হান্না লাকহনখিসি। মদুগী তুংদা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

ঙরাংগী মীফম অদুদা বি জে পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট আমিট সাহ মশাগী ওইনা ৰা ঙাঙখিদে। দেলিগেটশিং অদুগা ৰারী ৰাতায় ওইনা হংলকপা ৰাহংশিংগী পাউখুম পীখি। মীফম অদুদা ঐচ আর দি মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকর, নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরী নোর্ঠ ইষ্ট রাম মাধব, জেনেল ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী অজয় জমৱাল, বি জে পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ভবানন্দ, এম এল এ কে ঐচ জয়কিষন অমসুং টি ঐচ বিশ্বজিৎ, ষ্টেট ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কম্মিতিগী কনভেনর টি ঐচ চাউবনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা ঙরাং শীন্দুনা হাপ্তা কাঙজেবুংদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুগী রিভিয়ু মিটিং অমা ঙসি অয়ুক পার্টিগী জোনেল ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী অজয় জমৱাল য়াওনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙরাং হাপ্তা কাঙজেবুংদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অদু য়াওবা লাকপদা নেৎশিন্নবদা অশোক অপন নংখ্রবা মীওইশিং ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ভাবানন্দ, পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরিশিং এম এল এ টি ঐচ বিশ্বজিৎ অমসুং এন নিম্বনা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা মতেং পাঙখ্রে।

লমায় ১ গী মখা

# অয়ুস হোস্পিটালগী শাগৎলিবা...

অসুম্মাইনা টেক্নিকেল ইন্সটিট্যুট অমনা সার্টিফিকেসন তৌদনা লৈরগদি শাগৎলিবা বিল্ডিং অসি মপুং ফানা লোইশিন্নবগীদমক চঙগদবা শেনফমশিং রিলিজ তৌরক্লোইদ্রা হায়বগী চিংনবসু লৈরে হায়রি।

মরম অসিনা চৎলিবা চহীগীসিগী জনুৱারিদা হাখিবা অকনবা য়ুহার হাবনা শোকহনখ্রবা খ্বাইরক্দগী ইমা কৈথেলগী ফিভমশিং য়েংশিলহনখিবগুম্না আইআইটি নৎত্রগা জাদবপুর য়ুনিভর্সিটিগী এক্সপার্টশিংনা য়েংশিনহনবগী তঙাই ফন্দবা লৈরে হায়বা ৰাফমসু ফোঙদোকখি হায়রি।

মরম অসিনা থবক অসিগী ৱার্ক এজেন্সি ওইরিবা এমদিএসকী প্রোজেক্ট দাইরেক্টরনা অথুবা মতমদা আইআইটিনৎত্রগা জাদবপুর য়ুনিভর্সিটিগী এক্সপার্টশিংবু বিল্ডিং অসিগী এসেসমেন্টকীদমক কন্টেক্ট তৌগদবনি। এক্সপার্টশিং অদুগী রিকম্মেন্দেসনগী মতুংইন্না শাগৎখিবা বিল্ডিং অসিগী মখা তাবা থবক থৌরমশিং লেপথোক্কদবনি হায়নসু খঙহনখ্রে।

লোয়ননা হায়রিবা থবক অসি প্রাইওরিটি বেসিস্তা পাঙথোকপগা লোয়ননা মসিগী প্রোগ্রেসশিং নুমিৎ ১০নীগী মতুংদা অমুক য়েংগনি হায়বগী অকনবা ৰাফমসু ফোঙদোকখি হায়রি।

# কনফরেন্স পাংথোকখ্রে

পাংথোকখিবা কনফেরেন্স অদুগা মরি লৈননা ফেগোক্তাগী কনভেন্নরসু ওইরিবা জেনেরেল সেক্রেটরি ডোক্তর এন সোমোরেন্দ্রোনা হায়, য়ু জি সি পে–রিভ্যু কম্মিতি শেম্মে। সজেসন রিকোমেন্দেসন সেপ্তেম্বর ৩০ফাওবগী মনুংদা থারক্লবা য়ু জি সিগী মাইকৈদগী হায়রকপা লৈ।

মদুগী মতুং ইন্না য়ু জি সিনা পিরিবা থিম ৬তা খরা চাওথোক্লা খন্ন–নৈন্নবা রিসোর্স পার্সনশিং, দেলিগেৎশিং অমদি প্রিন্সিপালশিংনা খন্নাহৌরগা য়ু জি সিগী সেভেন্থ আর ও পি অসি ইম্প্লিমেন্ট তৌরকপা মতমদা মণিপুরগীদা নত্তনা অৱাং নোংপোক্কী ওইনা মাই পাক্লবা কনফেরেন্স অসি পাংথোকপনি হায়খি।

# মীয়ামদা মতম চানা জষ্টিশ ...

থৌরম অসিবু প্রিসাইদ তৌখিবা অমবাগী প্রসিদেন্ট ঐচ চন্দ্রজিৎ শর্ম্মা, সেনিয়র এদভোকেটনা মহাক্কী ৰারোলদা উকিল অমত্তনা কোর্টপু লান্না লমজিংনবা হোৎনরোইদবনি। ষ্টেটকী ইসু কয়াদা অমবানা অচৌবা থৌদাংশিং লৌদুনা লাকই। মখা তারকপা লৈবাক মীয়ামগী ইসুশিংদসু পুক্লিং চঙনা শরুক য়ানবা থৌরাং তৌদুনা লৈ।

অদুবু উকিলশিংনা মেদিয়াদা ফোঙদোকপা য়াবা অমসুং য়াদবা ৰাফমশিং ঙাক্ল চৎপগা লোয়ননা দুজ এন্দ দোন্টশিং খঙগদবনি। মীয়ামদা অচুম্বা ৰায়েলশিং অথুবা মতমদা ফঙহন্নবা হোৎনবদা উকিল অমগী ইকায় খুম্নবা মাঙহন্দনা ইথৌদাং পাঙথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি।

থৌরম অসিদা মশাগী চহী ৭০ গী মথক্তা লৈরবা অহল ওইরবা উকিল ২১ দা অমবাগী মায়দৈগী অচম্বা খুদোলশিং পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরমসিবু শরুক য়ারখিবা পূম্নমকপু তরাম্না ওক্লদুনা অমবাগী অহানবা নুপী জেনরেল সেক্রেটরী বি সুপ্রিয়া দেবীনা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱাফম মীয়ামদা ফোঙদোকখি। অমবা অসি অদুঙৈ ইং ১৯৫১ গী সেপ্টেম্বর ১৫ দা লিংখৎখিবনি। মেম্বর এদভোকেট ১১ খক্তনা লিংখৎখিবা অমবা ঙসিদি মেম্বর লিশিং অনীগী মথক্তা লৈরে হায়খি।

# অশিবা অমা ফঙলে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৫ ঃ ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তাবদা সিটি পুলিসকী মনুং চনবা খোয়াথোং পুখ্রি অচৌবদগী মীওই অমগী অশিবা হকচাং ফঙলে হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদু ইমুং মনুংনা মশক তাকপা ঙমখ্রে, মহাক শিংজমৈ চীংঙামখা থোকচোম লৈকাইদগী মুতুম য়াইফবা (২১) অপোকপা খোই কৌই। অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেমগীদমক পুলিসনা লৌখৎলগা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংনা ফোঙদোরকপদা লৈখিদ্রবা য়াইফবা অসি থা অসিগী ১৩ গী নুমিদাংৱাইরমদা থাংমৈবন্দদগী মমান্নবা অনী অমদি ইরোইশেম্বদগী মমান্নবা অমগা পুন্না মখোয় ৪ ময়ুমদগী থোকমিন্নখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# এনপিএফকী এমএলএ ৪গী ...

পাস তৌখিবা অদুগী মায়োক্তা মীয়ামগী প্রেসর লাকপদগী এম এল এ ওইবদগী তেকচরগে হায়না ফম থাদোকপগী চেরোল অদু দিল্লিদগী সেপ্তেম্বর ৪দা থারকখিবনি।

ফেক্সতা থারকখিবা চেরোল অদু ফংই ফংদে হায়বা ৰাফম লাকপদগী এম এল এ মরি অসিনা মখোয় মখোয়গী মশাগী খুৎয়েং য়াওরবা ফম থাদোকপগী চেরোলশিং অদু মণিপুর বিধান সভাদা চহী অদুগী সেপ্তেম্বর ৭দা পীশিনখিবনি।

মতম শাংনা এম এল এ মরি অদুগী ফম থাদোকপগী চেরোল অদু স্পিকরগী তেবলদা তাদুনা লৈরক্লবা মতুংদা ঙরাং ফম থাদোকপা অদু অয়াবা পীখিবনি। লোয়ননা ৰাঙ্খে কেন্দ্র থারগা কেন্দ্র মঙা অসিদা সিটশিং হাংলে হায়দুনা নোটিফিকেসন অদু থোকখিবনি।

# লমদমসিগী হান্নদগী লৈজরম্বশিং...

লমসিদা লৈরিবশিংনসু পুখৎলক্তুনা সরকারদা পোলিসি অমা শেম্বীনবা তকশিনবা চংই। হৌজিক ফাওবা কনামক্তনা পুখৎলকপা থেংন্দ্রি হায়খি।

মহাক্ন মখা তনা হায়, ৰারী লীবা আর্টফোর্ম অসি হিঙ্গৎহন্দু ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক ছাত্রাশিংনা ওজাগী মনাক্তা চৎলগা তম্বা অসি নত্তবা মওংদা ইনষ্টিট্যুট ওইনা হাংদোকপা চংই। মপাল লমনচিংবদা হেন্না পাকথোক চাওথোকপা ঙম্নবা ইনষ্টিট্যুট অদুদা ৰারী লীব খক তম্বা নত্তনা লোনগী ওইবা ইংলিস অমদি অতৈ মরি লৈনবা সবজেক্টশিং হাপচিনবা য়াই।

অমরোমদা, লমদমসিদা খুন্দারিবা ফুরুপ কাংলুপশিং অসি নুংশি–চান্না লৈমিন্নবগীদকম মফম–মফমগী মমিং অসি ঙাক্তুনা থম্বা তঙাই ফন্দবনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মমিংসি বৃটিশনা অমা কৌরম্লবসু ঙসিদি থায়নদগী কৌনরম্বা মমিং অদু ওন্থোকখ্রে। মদুগুম্না মণিপুরদসু থায়নদগী লৈরক্লবা লমগী মমিং অদু ঙাক্তুনা থম্নবা সরকারদা তকশিনবা চংই মদুদা সরকারনা তারোইদবা লৈতে। হৌজিক হৌজিক রেভিন্যুদা লাইফম সিফাই হায়রিবা মফম অসি নগারাম অমদি কবো লৈকাইনা হায়রিবা মফম অসিবুনা খুমন লম্পাক ওন্থোকখ্রে হায়না এনজি বিজয়না মখাতাখি।

ৰারী লীবা আর্ট ফোর্ম অসি অমুক হন্না হিঙ্গৎহন্নবা সেমিনার অমদি ৱার্কসোপনচিংবা তোয়না শিনবা ফৈ। মণিপুরদদা নত্তনা মণিপুরগী ৰাংমদা মীতৈ তাবা মফমশিংদসু পাংথোকপা তঙাই ফদে মদুদা চংবা শেনফমশিং জেএনএমদিএনা পুথোকচগে থৌরমদুদা দাইরেক্তর এল উপেন্দ্রনা হায়খি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা অহল ৰারী লীবা অহল ওইরবা মীওই কয়াদা এৱার্দ অমদি পেন্সন য়েন্থোকখি অমদি সোভিনিয়ার অমসু ফোঙখি।